## এদিটৌরিয়েল

# আইএলপি দিমান্দদা
# মীয়ামগী পার্টিসিপেসন ৱাৎপা

ষ্টেট অসিদা নোংমা কাংদনা ফোরেন্নরশিং অমসুং ভারতকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মীওই কয়া লেপ্তনা চংশিল্লকপা অসিনা লমদম অসিগী ইন্দিজিনস পিপলশিং কাংখুল মুৎখিবা য়াবগী ফিভম লাক্লিবা অসিগী মথক্তা লমদম অসিগী নাৎ কলচরদা অচৌবা চৈফু অমা পীরকপা য়াওনা লমদম অসিগী নিংঙোল কয়া লৌশিল্লকপদগী ঈয়ান চংখিদুনা মণিপুরী হায়বা জাতি কাঙলুপ অসি মরু ফংনা মুৎখিবা য়াবগী ফিভম লাক্লিবা অসিদগী কন্নবা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম্না চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি থেংলবসু থেংনা য়ামনা অচুম্বা খোঙথাং অমা ওইরবসু মসিদা মীয়ামগী পার্টিসিপেসন ৱাৎপনা ইফেক্তিভ ওইদবা মানবা মওং অমদা উরিবসি লাইবক থিবনি। সরকারগী মায়কৈদগীসু ইশু অসিদা ইথৌ থৌশাদনা নিঙাইদনা লৈথোক্লিবসি লৈবাক্কী মপী মপা অমা ওইবগী লিচৎ নত্তে।সরকার পায়বা য়াওদ্রবসু মীয়ামগী মীহুৎনি হায়না লৈরিবা ওপোজিসন এমএলএশিং অমদি লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ঙাইহাক্কী মীয়ামগী ইশুদা য়াওবা মান্নবা লৈবাক নিংবা শাদুনা কোইরাও লাওশিন্নরম্লগা তুমিন্না লৈশিনখিবা অসিমকসু য়াম্না ইকাইনিঙাইনি। মসিমক্কা লৈরিবা এমএলএশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিং লৈবাক মীয়ামগী খন্দে, পার্টিগী হায় কম্মান্দগী য়াথং য়াওদ্রবদি করিমত্তা তৌবা ঙমদে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎথোকপনি।

ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা চিফ মিনিষ্টরনা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংশিল্লিবা খোঙজং অসি ফোরেন্নরশিং হায়বদি মীরৈবাক্তগী লাকপা মীতোপ অসিবু তাল্লিবরা নত্রগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মীওইশিংবু তাল্লিবরা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনবা চুম্মী হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবনা তশেংনা ইশু অসিদা সরকারনা খঙদে হায়না লৌরগা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী মায়কৈদগী ময়েক শেংনা খঙহনবা চুম্মী। ফোরেন্নর এক্ত কী মখাদা ভিসা য়াওদবশিং চেক তৌবগী থবক সরকারগী মথৌনি হায়রবসু ঙসি ফাওবা মথৌ মশক খঙদবনা মোরেদা ম্যান্মার লোমদগী লাকপা কুকিশিংনা পাক তরুনা খুন্দাশিন্দুনা ইন্দিজিনস পিপল অমগুম ঙাং-শক্লিবা, ম্যান্মারদগী হায়জিল্লকপা মুস্লিম কয়া ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হুরান লান্নাদা লৈশিনখিবা, জিরিবামদা বঙ্গলাদেশ লোমদগী লাকপা মুস্লিমশিং অমসুং বঙ্গালিশিংনা খুন্দা লৈতাশিনখ্রিবা অসিদা করিমত্তা তৌবা ঙমদবা, হৌজিকসু মীতোপ মীয়ানচাশিং লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লক্লিবা অসিদা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রবা মণিপুর সরকার অসিনা ফোরেন্নর চেক পোষ্টশিং থমদুনা মীতোপ মীয়ানচাশিং চংলকপা থিংলি হায়রিবদু কদাইদনো? সরকারনা মশাগী অশোয়বা, অশোনবা কুপশিন্নবা হোৎনবদা অতোপ্পশিংদা মরাল থংজিনবা চুল্লোই। ভারতকী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপা নন- মণিপুরীশিং অসি ইন্দিয়ান সিটিজননি, ইন্দিয়াগী জগা অমদা হেক্তা লৈবা য়াই হায়না ভারত সংবীধাননা অয়াবা পীরবসু মীতোপশিং অসিনা লমদম অসিগী লৈহাওদা লৈশিন্দুনা মরমদম মজাতিগী খন্দ্রবা লমদম অসিগী নুপী কয়া অমা লৌশিন্দুনা লমদমসিগী নাৎ-কলচরদা শিংনরক্লিবা, ঈয়ান চংখিদুনা মণিপুরীশিং মুৎখিবা য়াবগী ফিভম লাক্লিবা অসিদগী কন্নবা সরকার অসিনা থবক পায়খৎপগী মহুত্তা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা খোঙজং চংশিল্লিবশিংবু অরানবা তাহন্নবা শিল্লিবা থৌশিল অসিমক য়াম্না ইকাইনিঙাইনি। সরকার অমা হায়বসি মীয়ামগী মীহুৎনি খঙনা মীয়ামগী ৱাখলদা ফাওরিবসি করিনো হায়বা খঙনা থবক পায়খৎপা চুম্মী। লমদমসিগী খন্দ্রবা, মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা পার্লিয়ামেন্টতা ইশু অমত্তা পুখৎত্রবা ভরতকী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মশা মরেং ওইনা লমদমসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীয়ামগী ইশুদা য়াওবা মানহল্লগা হায় কম্মান্দগী অয়াবা ফংদ্রবদি তুমিন্না লৈশিনগদবা ওইরবদি লৈবাক নিংবা শাদুনা মতুং অমুক হন্না লাওখোংবগী থবক তৌবীরনু। ক্রোকোদাইল টিয়রগী মওংদা তৌবীরনু। মদুনা মীয়ামগী অশাওবা হেঙ্গৎহনবা ওইনা থোক্কনি।

জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম্না চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়ামগী পার্টিসিপেসন য়াওদ্রিবা অসিসু য়াম্না চুমদবা অমনি। কম্মিটি অসিনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মশাগী ওইজবা ফংনবা নত্তে। তুংগী লাক্কদবা মীরোলনা থেংনহৌগদবা কয়া অদু য়েংলগা খোঙজং চংশিল্লিবনি। গাড়িগী ষ্টারিং পায়দুনা থৌবাগুম্বনি। ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে, ইশু অসিদা শরুক য়ারি হায়না লৈথোকপগী মহুত্তা মখা তানা লৈকাই লৈকাইদা লৈরিবা মীতোপশিং হলহনখিনবা করি করম্বা থৌরাংশিং পায়খৎসিগে হায়বদু মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নরগা মদুবু হেন্না ইফেক্তিভ ওইনবা খোঙজং চংশিনবা নত্তনদি তৌরিবশিং অসিগী ৱাহন্থোক লৈরোই।মীতোপশিং লৈকাইদা লৈবা, করবার তৌবা য়াওনা অতৈ হিরমশিং তৌবদা মরী লৈনবা ক্লব, কম্মিস্নর/ প্রধান, গ্রাম পঞ্চায়েট নত্রগা লোকেল এমএলএগী অয়াবা য়াওদ্রবদি অথিংবা লৈরবদি মসিসু ইফেক্তিভ ওইবা লম্বী অমা ওইগনি। শেলগী খল্লগা ভারা শাল্লিবশিংনসু লোকেল বোডিশিং অসিগী অয়াবা লৌবদা নত্তনা লৈগদৌরিবা মীশিংদু ক্রাইমদা চেন্নৈ, চেন্নদে হায়বগী চপ চাবা মরী মখোঙ খঙলবা কানদা থম্বীয়ু। নত্রবদি মীতোপশিং অদুনা ক্রাইম তৌরকপদা মখোয়সু মদুদা চেন্নবনি হায়না দন্দি ফংলোইদৌবগী মরম লৈতে। লৈরিবা অশোয়বা, অশোনবা কয়া অসি খোঙজং চংশিল্লিবশিং, মীয়াম, লোকেল বোডিশিং, মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিং অমদি সরকারনা পুন্না খঙমিন্নদুনা তুংগী লাক্কদবা মীরোলনা থেংনহৌগদবা অৱাবা কয়া অদু খঙমিন্নদুনা মীরমদমদগী লাকপা মীওইশিং হলহনখিনবা থবক পায়খৎমিন্নবা চুম্মী। অমনা অমদা মরাল থংজিন্দুনা মশা লৈথোক্কবা হোৎনবা চুল্লোই।

Naharolgithoudang